# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-07-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী কেন্দ্রগী য়ুনিয়ন বজেৎ ঙসি শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সংসদতা পুথোক্লগনি।

২) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- লৈবাক অসিবু বিক্সিত ভারত ওইহন্নবা অমসুং মালেমগী অহুমসুবা ইকোনোমি ওইন্নবা পান্দম কেন্দ্র সরকারনা মঙফাওননবা হোৎনরি।

অমসুং

৩) এক পের মা কে নাম হায়বা হিরমদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাইদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লুচিংদুনা উ চারাশিং পাক্তকনা থাগদৌরি।

------

নিরমালা ঃ কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী কেন্দ্রগী বজেৎ ঙসি সংসদতা পুথোক্লগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- ঙসি পুথোক্কদৌরিবা কেন্দ্রগী বজেৎ অসিনা লাক্লিবা চহি মঙা অসিগী লম্বী য়াৎনবা অমসুং ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা ভারতপু বিক্সিত ভারত ওইহনবগী মঙলান অদ্ শেমগৎনবনি।

কেন্দ্রগী বজেৎ মীফম ঙরাংদগী হৌখিবনি। অহৌবা নুমিৎতা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমননা ইকোনোমিক সর্ভে পুথোকখি।

কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারিশিংগীদমক হান্না চৎনরম্বা পেন্সন স্কিম অমুক হন্না চৎনহনবগী ৱাফম লৈতে হায়না লোক সভাদা ঙরাং কেন্দ্রগী শেল থুম রাজ্য মন্ত্রি পঙ্কজ চৌধুরিনা ফোংদোকখ্রে। কংগ্রেস সদস্য প্রনিতি সুসিল কুমার সিন্দে

দনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি শ্রাম যোগি মন্ধন পেন্সন স্কিম ইং ২০১৯ দা হৌদোক্লুনা চহি ৬০ শুরবা মীওইশিংদা থাগী পেন্সন ওইনা লুপা লিশিং অহুম অহুম পীরি। চহি ১৮ দগী ৪০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অদুগা মশাগী থাগী ইনকম লুপা লিশিং ১৫ য়ৌদবা অমসুং ই.পি.এফ.ও, ই.এস.আই.সি অমসুং এন.পি.এসকী মেম্বর ওইদবা শিন্মীশিংনা স্কিম অসিগী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি।

কেন্দ্রনা হায়রি-রাজ্য অমদা স্পেসিয়েল ষ্টেটস পীবগী ৱাফম অসি করিগুম্বা লম খরদা য়েংলগা পীবনি। বিহারবু স্পিসিয়েল কেটাগোরি ষ্টেটস পীনবা ৱাফম ইং কুমজা ২০১২ দা য়াখিদবনি। কেন্দ্রগী শেল থুম রাজ্য মন্ত্রি পঙ্কজ চৌধুরিনা লোক সভাদা হায়- দ নেসনেল দিভলপমেন্ট কাউন্সিলনা রাজ্য অমদা মফম অদুগী ওইরিবা চীং অমসুং লম্মিৎ তুম্মিৎগী ফিভম, মী তাবগী চাং হন্থবা, ত্রাইবেল পোপুলেসন য়ামদবা, য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংগা বোর্দর ওইবা, শেল থুম অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচর শোথনা লৈবা রাজ্যশিংদা স্পিসিয়েল ষ্টেটসকী খুদোংচাবা অসি পীবনি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- চহি খরগী মতুংদা ভারত অসি মালেমগী অহুমসুবা ইকোনোমি ওইবা ঙম্লগনি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ঙরাং সংসদতা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না পুথোকখিবা ইকোনোমিক সর্ভে অদুনা লৈবাক অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহনবগী মচাকশিং অমদি সরকার অসিনা মসিবু ফংনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংশিং অদুগী মমি তারি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা ভারতপু ইং কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা বিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে। দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী ওজা অমসুং মহৈরোহশিংগা মুখ্য মন্ত্রিগা ঙরাং উন্নখি। চাদোং নিউ সাইট সেনিয়র সিতিজন্স ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন, খোইরোং (দোলান খুনৌ) ভিলেজ ওথোরিতি অমসুং রোংমৈ

নাগা লুহ্-ফুৱাম ইম্ফাল-লুৱাংরিয়ানগী মীহুৎ কাংবুশিংগসু মুখ্য মন্ত্রিগা উন্নখি। রাজ্য অসিদা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা মখোয়না লৌরিবা থৌদাংবু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

রাজ্য অসিদা লৈরিবা কলেজ অমসুং স্কুলশিংগী এসেমব্লিদা জাতিগী ঈশৈ অমসুং ষ্টেট সোং শকপা হৌরকপদা মুখ্য মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

দেঙ্গি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইদা মীওই অমা দেঙ্গিনা নাবা থেংনরে হায়রি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ তখেল্লম্বা নেপোলিয়ন্না ফোংদোরকপগরী মতুংইন্না মফম অসিদা দেঙ্গিনা নাবা মী লৈরে হায়বা পাউ হেক ফংবগা ইন্তিগ্রেতেদ দিজিজ সার্ভিলেন্স প্রোগ্রাম (আই.দি.এস.পি)গী মীহুৎ য়াওনা মীওই ১২ না শাবা মেদিকেল টিম অমা খুদক্তা চংশিন্দুনা লায়না মখা তানা শন্দোক্তনবা, ফোগ্গিং তৌবা অমদি মফম অদুগী অকোইবদা মীওইশিং য়াওনা ইমুং মনুংদা এৱারনেস পীখ্রে।

অমরোমদা রাজ্য অসিগী ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসার সলাম প্রিয়োকুমারনা হায়- দেঙ্গি লায়না অসি ভাইরসনা থোকহনবা অরুম লাইহৌ অমনি। মহাকা হায়- লায়না অসি ফহনবা ঙম্বা হিদাক হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈত্রবসু মীয়ামা চেকশিল্লবদি ইরাই লায়না ঙাকথোকপা ঙমগনি।

ফারেষ্ট (এল)ঃ এক পের মা কে নাম হায়বা হিরমদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাইদা লৈবা চীংপু শাবী লাইরেম্বী চীংদা পাক্তকনা উ থাগদৌরি। রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিনবা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লুচিংদুনা উ চারাশিং অদু থাগনি। থৌরমদুদা ইনভাইরোনমেন্ট ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ শরুক য়াগনি।

এক পের মা কে নাম কেম্পেন প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা চহি অসিগী ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা জ্ ৫ দা হৌখিবনি। স্কিম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি- মীয়াম্বু উ থানবগী পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা অকোইবগী ফিভম কন্নবা হোৎনবদা শরুক য়ানবনি। কেম্পেন অসি হেক হৌদোকপদগী

রাজ্য অমসুং যুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংনা পাক শন্না উ থাবগী থৌরম চথরক্লি। মণিপুরদসু হৌখিবা মতম খরা অসিদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন্না মীয়ামদা উ চারা য়েন্থোকপা অমসুং তোঙান তোঙানবা দি.এফ.ও অমদি সংস্থানশিংগা খুৎশমদুনা উ থাবগী থৌরম লেপ্তুনা চথরক্লি।

ওবিত (এল)ঃ   মণিপুরগী শকাইরবা ফিলম মেক্কর আর.কে. কৃপা হায়রগা খঙনবা রাজকুমার কৃপাজিৎ সিংহ ঙরাং মশাগী ময়ুম ইম্ফালগী থাংমৈবন্দ লিলাসিংহ খোঙনাংখোঙদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৬৭ শুখ্রে। মহাক মতম কুইনা নাদুনা লৈরমখি হায়রি। আর.কে. কৃপানা ইরম্বা অমসুং দিরেক্সন পীরম্বা ফিলমশিংগী মনুং- থম্বাল, ঐগী পুন্সি, লৈই অমা অমসুং লৈবাক য়াওরি।

মহাকা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

এময়ু (এল)ঃ   নুমিৎ অহুমি দিল্লিগী প্রগতি মৈদানদা চথরকখিবা গভর্নমেন্ট এচিভমেন্টস এন্দ স্কিমস এক্সপো ২০২৪ ঙরাং লোইশিনখ্রে। এক্সপো অদুদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা, য়ুনিভর্সিতিগী অসিগী এচিভমেন্ট, চহিগী মহৈ মশিংগী থৌরমশিং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মীয়ামদা উৎখি। তোঙানবা তোঙানবা মন্ত্রালয়শিংগী ষ্টোল ১০০ হেন্না শরুক য়াখিবা এক্সপো অদুদা মীয়ামা খ্বাইদগী পামবা ষ্টোলশিংগী মনুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিসু অমা ওইখি। এক্সপো অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা এক্সিলেন্স ইন হায়র ইজ্‌কেসন কেটগোরিদা অনিসুবা মনা ফংখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

পোকফমদা- ইম্ফাল রিং রোডকী থবক পায়খৎনবা থৌরাং লোইখ্রো, প্রোজেক্ট অসিনা শোকহনগদবা লম মপুদা পিগদবা কম্পেন্সেসন খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- পোপি থাবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎখ্রে, গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল অমসুং গোল্ডন ক্রেসেন্ট চাউথোরক্লবা হায়বা ৱাফম থমখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- জিরি লম্বী শেম্বদা য়াওশিন্নবা জলাই ২৪ ফাওবা ষ্টিয়ারিং থাদোক্লে হায়না দ্রাইভরশিংনা ফোংদোকখিবা অমদি পোরোম থোক্লবা জিরি লম্বী জলাই ২৪ ফাওবদা শেম্বা লোইদ্রবদি গাড়ি চেল্লরোই হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা-ম্যান্মারদগী লাঞ্জেল্লকপশিং সি.এম. বিরেন্না ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টনি হায়না মশক খঙদোক্তুনা দিপোর্ট তৌবনা কুকি-জোশিং খ্বাইদগী হেন্না অকিবা ওইরি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- লমদম অসিগী মীয়ামদা পুবা থাংবা ঙমলোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌবা লেপ্পীয়ু হায়না মহুদ মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

অনৌবা লোক সভাগী অনিসুবা মীফম হৌখ্রে, ঙসি ফাইনান্স মিনিষ্টর সিতারমন্না য়ুনিয়ন বজেৎ পুথোক্কনি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- শক্তি লৈবা বোম শিজিন্নদুনা চুরাচান্দপুরদা য়ুমশিং থুগাইখিবগী ভিদিও অমা সোসিয়েল মিদিয়দা ভাইরেল ওইরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মোর্নিং বেলদসু অহানবা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- সি.এমনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী লুচিংবশিং উন্নখ্রে, য়েলহৌমীশিং কন্ননবা, ঙমখৈ ঙাকমিন্নবা আপীল তৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

দি.এম.য়ুগী টেবুলেসন সিট মাংবগী পাউনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- নোর্থ ইষ্ট ত্রাইবেল কাউন্সিলনা সরকারদা কন্সটিটুট্যুসনেল এমেন্দমেন্ট বিলবু খন্নবীনবা পাউনা মরুওইবা পাউ অমা ওইনা ফোংবা থেংরে।

তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোংদা কোচিং সেন্তর আশা কেরিয়র একাদমি হাংদোকখিবা পাউ অমদি জিলা অসিদা নুমিৎ মঙানি মৈ মুৎপগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি

------